মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তা চৎনবা য়াবা য়ুনিফোর্ম লেন্দ লো অমা শেমগদবনি : এম এম টি য়ু

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : হৌজিক মণিপুরদা চৎনরিবা লেন্দ লো সিষ্টেম অসিনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ-ফূরুপশিংগী মরক্তা মচেৎ তানা থুগায়রি। লেন্দ লো অসিনা তম্পাক্তা খুন্দারিবা মীতে কাঙলুপশিংবু মশাগী মরমদমসিদা খোঙদাফম লৈহন্দনা রিফ্যুজি অমগুম্না লৈহল্লক্লি। ১৯৫৯দা তুংলমচৎকী মণিপুরবু থুগায়বা পান্না মীওই খূৎপু খরনা শেমখিবা লেন্দ লো অসি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা খুদক্তগী য়েংশিনগদবনি। অথুবা মতমদা মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তা চৎনবা য়াবা লেন্দ লো অমা শেমগদবনি হায়না মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু)না লৈঙাক অমদি মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

এম এম টি য়ুগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) মুতুম চুরামনি মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মণিপুরনা ১৯৫৯দা পার্টসী ষ্টেট ওইনা লৈরিঙৈদা মতমদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওইখিবা টি কিপগেননা লুচিংদুনা মীওই ৩০না শাবা কম্মিটি অমনা মণিপুর পুম্নদা চৎনগদবা লেন্দ লো সিষ্টেম অমা শেম্নবা দ্রাফ্ট তৌখি। কম্মিটি অদুদা য়েলহৌমী মীতৈগী মীহুৎ মমিংতগী ওইনা ৩ খক য়াওখি। মহাক্না পুথোরকখিবা 'দ মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস বিল' অদু মতমদুগী অকনবা পোলিটিকেল পার্টি ওইখিবা মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস অমদি কম্যুনিষ্ট পার্টিনা কন্না য়ানিংখিদে। মদুদা নত্তনা মণিপুরগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা এম কে প্রিয়োব্রত য়াওনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা প্রোটেষ্ট চখদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুবু ১৯৬০দা নম্ফুন্দা এক্ট ওইনা চৎনহনখি।

লেন্দ লো অদুনা ঙসিদি তম্পাক্কী লম স্কোৱার মাইল ৭০০ অসিদা য়েলহৌমী মীতৈশিংসি রিফ্যুজি ওইনা লৈহল্লক্লি। মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদগী মীওই কাঙলুপ, ফূরুপ ওইনা তোঙান-তোঙান খায়দোরক্লি। অসুম্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম্বু থুগায়রিবা, ফূরুপশিংগী মরক্তা লোয়ন-তীন্নবা য়াহন্দ্রিবসি হৌজিক চৎনরিবা লেন্দ লো অসিননি।

তম্পাক লমদা লৈরিবা মীতৈগী ইমুং লাখ ১গী মথক্তা মশাগী য়ুম্ফম লৈতে। অদুগা মীওই লাখ কয়ানা য়ুম্ফম লৈরবসু পাট্টা পায়দে। মীতৈশিং কুমজা ১৯৫১দা ইন্দিয়াগী ওইনা এস টি লিষ্টতা য়াওফম থোকপদু য়াওহনখিদে। সেদুল লেন্দ ওইনা প্রোটেক্সনসু লৈত্রবা লমদমসিগী স্কোৱার মাইল ৭০০ অসিদা কাঙলুপ-ফূরুপ পুম্নমক্কী খুন্দাফম ওইরি। য়াম্না ঙক্নিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা ১৯৬২দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অমদা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ চৎনরোইদবা হিল এরিয়াজ ওইনা লৈগদবা খুলগী মশীংসি চীংগী খুল ৩০০ লোমগী এরিয়া অসিখক্তনি হায়না পল্লি। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্না মথৌ তারগদি এক্ট অসি মফম পুম্নমক্তা চৎনগনি হায়নসু পল্লি।

হৌজিকসি চীংগী লম পুম্নমক্তা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ অসি চৎনদবগুম লৈঙাকসিনা লৌদুনা করিগুম্বা অমত্তা ৱাখল মীৎয়েং লৈতবা মওংদা লৈঙাক্লি। লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লম্বা কাংপোকপী, তেংনৌপল অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পঞ্চায়ট এরিয়াগী শরুক কয়া হিল দিষ্ট্রিক্টতা য়াওশিনখি। মসিগী মথক্তা ১৯৩২দা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা তম্পাক লমদমগী চীংখোঙ-চীংয়াগী হেক্তর ৩৩,০০০গী লমশিংবু ভেল্লি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোকখি। অসিগুম্না লমদমসি ঙসি ফাওবদা তম্পাক্কী লমগী মীওইশিংনা চঙদুনা লৈবা য়াহন্দ্রি। মসিগী মথক্তা ভেল্লিদা লৈবা অন-ক্লাসিফাইদ ফোরেষ্টশিংগী চীংগী শরুকশিং ফাওবদা মীতৈনা খুন্দাহনবা য়াহন্দ্রি। মণিপুরগী মপুং ওইবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিং ঙসিদি মরমদমদা মীতোপ রিফ্যুজি ওইনা হিংবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লৈরম্বা লমগী শরুক কয়া শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেটশিংনা অচৌ-অচৌবা শেনফম পুথোক্তুনা লৈশিন্নরি। লায়রবা মীচম-মীয়াম্না মশা হিংনবগী খোঙদাফম য়ুম্ফম মচেৎ অমফাওবা লৈবা ঙম্নদগী শেনফম পুথোকপা ঙমজদে। মসিনা মরম ওইরগা মীওই লীশিং কয়া ইনাক খুনবশিংগী য়ুমদা অৱাইমল পীরগা শৈদাংদুনা হিংলি। মখোয়গী পোকপদগী শিবা ফাওবগী লাইথৌশিং মীগী ময়ুমদা পাঙথোক্লি। ময়ুম-মকৈ পানবা য়ারবা নুপা-নুপী কয়া লৈননবা য়ুম লৈতবদগী ময়ুম পান্নদ্রি। মরম অদুনা হৌজিক চৎনরিবা লেন্দ লো অসি খুদক্তগী হোংদোক্কদবনি। লোয়ননা মশা হিংননবগী লৌরি-য়ুম্ফম লৈজদ্রবা মীওইশিংসিগী লৈননবা লম লৈঙাক্না পীগদবনি হায়না এম এম টি য়ুগী চেরোলসিনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

হোস্পিটাল থোঙ লোন্নবা দেসামগী অকনবা ৱাফম কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ (ঐচএন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ সোইবম লৈকায়দা লৈবা দাইবেটিস হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টরদা হৌখিবা কুমজা ২০২৩দা মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা থোকখিবা মরী লৈনদবা ওর্দরগী চে অমা পুরক্তুনা লমদমসিগী ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না হোস্পিটাল অসিবু থোঙ লোন্নবা অকনবা ৱাফম থল্লম্বু হোস্পিটাল অসিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

হীরমসিগী মতাংদা পোরোম্পাৎ সোইবম লৈকায়দা লৈবা দাইবেটিস রিছর্স সেন্টরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দাইবেটিস হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্তর ডা. এম ধনবিরনা ফোঙদোরকপদা, ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন দেসামনা পুরল্লিবা মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী ওর্দরসি হোস্পিটাল অসিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। হোস্পিটাল অসি মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী মখাদা লৈবা নত্তে। নেতাজি সুভাশ চন্দ্র বোস সোসল মিসন্দা রেজিষ্টর তৌবনি। হোস্পিটাল অসিনা পেসেন্ট ৩০০০ হেনবগী মথক্তা লায়েংখ্রে। দাইবেটিসতগী কন্নবা মীয়ামগী তেংবাঙ পীদুনা লাক্লিবা হোস্পিটাল অসিবু থিংগনি হায়দুনা য়েক্লবা খরনা ইনশিল্লগা তৌরক্লিবা থৌওংসি লাইবক থীবনি। মহৈরোয় লূপসিনা পাঙথোক্লিবা থবক কয়াবুদি থাগৎলি। অদুবু হোস্পিটালগী লমদা খূৎ থিংজিল্লকপসি নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি।

লৌশিং পুক্কে

মরম চাদনা নুংথিলদা কা হেন্না

তূম্লবদি হকচাংদা অমাঙবা থোকহল্লপা য়াই হায়বা কাউরোইদবনি

নুংথিল চুপ্পা থবক শুবা মতমদা ঙাইহাক-ঙাইহাক পোথারগা মরক্তা মীৎকপ অমা তূম্বনা হকচাং তেকখৎহল্লি অমসুং ইথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙমহল্লি হায়বসি য়াম্না চুম্নবা ৱাফমনি। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি নুংথিল তূম্বগী হৈনবী থম্বনা হাইপরটেন্সনগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি হায়রি। রোচেষ্টরদা লৈবা মায়ো ক্লিনিক্কী রিছার্চরশিংনা হায়রি মদুদি নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্নে। মরক মরক্তা নোংমা ফাদোক তূম্বগী ৱাফম নৎতবদা নুমীৎ খুদিংগী হৈনবী অমা ওইনা নুংথিল তূম্বা মীওইশিংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াই।

রিছার্চরশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১২,২২,৬৭২ দা চৎখিবা ষ্টদি মাপনগী দেটা কুপ্না নৈনরম্মী। মদুদা নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্নে হায়বা খঙলকপনি। অমেরিকান সোসাইটি ওফ হাইপরটেন্সনগী ৩১ শুবা চহীগী মীফমদা পুথোরকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মী-মীগী চাকচা-য়ুথক খেন্নবা, হকচাং শাজেল তৌবা-তৌদবা অমসুং অতৈ অনাবা কয়ানসু ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহনবদা মতেং পাংশিনবা মরম্না নুংথিল তূম্বগী ৱাফম অসি মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি।

অমরোমদা, কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়রি মদুদি নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩৩ রোম হেনগৎলকই। অমেরিকান জর্নেল ওফ ইপিদর্মিওলোজিদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি নুমীৎ খুদিংগী নুংথিল তূম্বনা হকচাং মনুংদা ইনফ্লেমেসন থোকহনবা মরম্না লংসকী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। নোংমদা পুং ১ দগী হেন্না নুংথিল তূম্লবদি এম্ফিসেমা, ন্যুমোনিয়া অমসুং ব্রোঙ্কাইটিসনচিংবা নিংশা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না ওইরক্তুনা শিবা য়াবগী রিস্ক শরুক অনী মখায়রোম হেনগৎলকই। নুংথিল তূম্বা ফৎতে হায়দুনসু নুমীদাং চুপ্পা থবক শুবা মীওইশিংদি তঙাইফদনা নুংথিল তূম্বা মথৌ তাই। মীপুম খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বগী তঙাইফদবা মরম্না নুমীদাং তূমহৌদবা থোক্লবদি নুংথিল তূম্বা মশানা তাবনি। অদুবু কাঙলোন খরা ঙাক্না নুংথিল তূম্বগী তঙাইফদবা লৈ। নুমীদাং তূম্বগী মওংদা মপুং ফানা তূমথখিদনবা চৌক্রিদা য়াঙলেন চপ তিংনা ফল্লগা ঙাইহাক উইগদবনি।

নুংথিল ঙাইহাক উইবগী কান্নবা অমসুং কান্নদবশিং মমুৎ তানা খঙদোক্লবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি কয়া চৎখিবা লৈখ্রে। ন্যুরোসাইকোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট না হায়খি, থবক মফমদা ওইরবসু নুংথিল ঙাইহাক্তং উইবনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবা মরম্না ইথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙমহল্লি।



জর্মনিদা লৈবা সার্লেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার এক্সেল মেক্লিঞ্জরনা মহৈ তম্লিবা মীওইশিংনা লঞ্চ ব্রেকতা করিগুম্বা খরা চাশিন থকচিল্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু উইগদবনি। মসিনা মতুং তারকপা ক্লাসশিং য়াওবদা পূক্নিং চঙবা ঙম্মী হায়রি। ন্যুরো সাইকোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অদুগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংথিল ঙাইহাক্তং উইবনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই শরুক মঙারোম হেনগৎহল্লি। মরম অদুনা মহৈ তম্বা অমসুং ৱাখল খনবগী মথৌ তাবা মীওই খুদিংমক নোংমগী ঙাইহাক্তং নুংথিল তাল্লক্তা উইবা য়ানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না প্রোফেসার এক্সেল মেক্লিঞ্জরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মীওই খরা কাঙলুপ অনী থোক্না খায়দোল্লগা কাঙলুপ অমবু নুংথিল তাল্লক্তা ঙাইহাক পোথাহনবা ওইনা দি ভি দি য়েংহল্লম্মী অমসুং অতোপ্পা কাঙলুপ অমদুনা ঙইহাক উইহল্লম্মী। চাংদম্নদুনা য়েংবদা ঙাইহাক উইবা কাঙলুপ অদুনা ৱাখল খনবা অমদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেল্লি হায়বা খঙলকখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা সারা ষ্টদনা হায়খি, মীওইবনা উখিবা, খঙখিবা, তাখিবা ইনফোর্মেশন খুদিংমক হিপোকেম্পস কৌবা ব্রেনগী শরুক অমদা তুংশিন্দুনা থম্মী। মথৌ তারকপা মতমদা ইনফোর্মেসন পুম্নমক মতাং মতমগী মতুংইন্না নীংশিংলকই। কনাগুম্বা খরদি হিপোকেম্পসতা ইনফোর্মেশন ফনা য়াম্না তুংশিল্লবসু মথৌ তারকপা মতমদা শীজিন্নবা ঙমদে। অদুগা মীওই খরদি মথৌ তাবা ইনফোর্মেশন পুম্নমক মতম চানা নীংশিংলকই। মরুওইবা পারা অমা হেক তম্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তং উইরবদি পারা অদু হিপোকেম্পস রিজনদা চঙখি অমসুং মতাং চানা নীংশিংলকই হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

থৌবাল অথোকপমদা এগজিবিসন কম আর্ট এন্দ ক্রাফ্‌ট ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ (ঐচএন এস) : লৈমপোকপম মুনিন্দ্রো (এল এম) হায় স্কুল, অথোকপমনা চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপগুম কুমসি চহী অসিগী ওইনসু নুমিৎ নীনি চুপ্পা চৎথগদবা অহুমশুবা এগজিবিশন কম আর্ট এন্দ ক্রাফ্‌ট ফেষ্টিভেল ২০২৪ ঙসিদগী থৌবাল অথোকপম কৈথেল মনাক্তা লৈবা স্কুল অসিগী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

ফেষ্টিভেল অসি জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর (জেদ ঈ ও), থৌবাল অরাম্বম অনিলকুমারনা হৌদোকখি। এগজিবিশন অদুদা স্কুলসিগী মহৈরোয়শিংনা শেম-শাজবা তোঙান তোঙানবা আর্টস এন্দ ক্রাফ্‌টকী পোথোক কয়া উৎলি। এগজিবিশন হৌদোকপগী থৌরমদুদা জেদ ঈ ও জোন থ্রী থৌবালগী দেপ্যুটি ইন্সপেক্তর ওফ স্কুল এন রাজেন, স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট অসেম ব্রজমোহোন, থৌবাল কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. দৈসি অঙোম অমদি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এন সুশিলাসু অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। এগজিবিশন অসিনা মহৈরোয়শিংগী কো-করিক্যুলর এক্টিভিটিশিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা মশাগা চান্নবা শিনফম অমা খনবদা মতেং ওইগদৌরি।

তীঞ্জং-কায়জংদবা মরূ-মরাং পুথোক্লবা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ (ঐচএন এস) : খাল্লৈ সিল্লুপ (খাসিল), মণিপুরনা লিশাং-শিংনা চথরকপা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদনবা, পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা অমদি লৌমীশিংগী মরক্তা ৱার্ক কলচর অমা শাগৎপগী ৱাখল্লোন্দা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা তীঞ্জং-কায়জংদবা মরূ-মরাং পুথোক্নি হায়বা পান্দমদা নোংমগী ওইবা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা ইরেংবন্দদা পাঙথোকখ্রে হায়না খাসিল, মণিপুরগী সেক্রেটরি লাইরেনলাকপম তোম্বা অঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরোইশেম্বদা লৈবা কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (কাউ), ইরোইশেম্বা ইম্ফালনা স্পোন্সর তৌবনি। এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসিগী মরু ওইবা থীমনা ঐচ আর দি প্রোগ্রাম ওফ এ আই সী আর পি ওন ক্রোপস হায়বসিনি। ৱার্কশোপ অসি কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী মরু ওইবা এক্সপার্টশিং প্রোফেসর কে ঐচ ইবোহল, প্রোফেসর টি ঐচ রেনুকা, ডা. কে ঐচ প্রামেশ অমদি ডা. পুস্পারানি সেঞ্জমগী মীৎয়েং মখাদা খাল্লৈ সিল্লুপ, ইরেংবন্দ হৱাইরৌ মসা লোয়শঙগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি। কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী মায়কৈদগী নীংথম মরূ-মরাং অমদি স্প্রেয়রনচিংবসু মায়কৈ অদোমগী লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি।

থৌরমদুদা খাসিল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দিলিপ মৈতৈনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম মপুগী ৱারোলদা মহাক্না খাসিলগী ইরেংবন্দ মসা লোয়শঙগী লৌমীশিংদা অসিগুম্বা খুদোংচাবা পীবীবগীদমক কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর অমসুং কাউবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা খাল্লৈ সিল্লুপনা লমদমসিগী লৌমীশিংনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদনবগীদমক লৌমীশিংনা মখল মখা কয়াগী নুংতিগী পূন্সিদা চীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা পোৎলমশিং মরাং কায়না পুথোক্লবা মতম কয়াগী মমাঙদগী হোৎনদুনা লাক্লি হায়খি।

হোম গার্দশিং হরাওরে সী এমবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেটসিগী লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী ওক্তোবর থাগী তোলোপ থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্লবা পাউতাক পীখিবগী মতুংইন্না হোম গার্দ পর্সনেলশিংগীসু থা অসিগী তোলোপ পীবীয়ু হায়দুনা এসোসিএসন্না অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখিবদা য়াবীরকপদগী হোম গার্দ পর্সনেলশিংগীসু দিৱালি অমসুং নিঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা তোলোপ ফংহনগদৌরে, মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎলক্লি হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ইম্ফালগী সেক্রেটরি কে ঐচ ইনাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরদা হীরমসিগী মতাংদা হায়জবদা মতেং পাংবীখিবা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টকী চেয়রমেনসু ওইরিবা লম্লাই এ সীগী এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচাবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। থবকশিং অসিবু অথুবা মতমগী মনুংদা পাঙথোক্লবা হোৎনবীরিবা কম্মিস্নার (হোম)গী ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা পুম্নমকপু থাগৎলক্লি।

মণিপুরী ফিল্ম 'মতমগী মণিপুর'গী দিরেক্তর দেবকুমার বোস লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ (ঐচএন এস) : মণিপুরগী অহানবা ফুল লেংথ ফিচর ফিল্ম 'মতমগী মণিপুর'গী দিরেক্তর দেবকুমার বোসনা হন্দক লৈখিদবদা মণিপুরী ফিল্মগী মীওইশিং মরু ওইনা মতমগী মণিপুরদা শক্তম লাংখিবা আর্টিষ্টশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউনদদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)দা পাঙথোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙবগী থৌরমদুগী মনুং চন্না শক্লাইরবা মণিপুরী ফিল্ম দিরেক্তর অরিবম শ্যামনা লুচিংদুনা এম এস এফ দি এসতা লৈরিবা মণিপুরী সিনেমাগী নীংশিং নুঙবীদা লৈ-শু কত্তুনা দেবকুমার বোসকী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা য়েম্খোম রোমা, কে এস ঐচ রাশি, কাঙবম তোম্বা য়াওনা মতমগী মণিপুরদা শক্তম লাংখিবা এক্তরশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়, এম এস এফ দি এসকী সেক্রেটরি সঞ্জু বাচস্পতিময়ুম অমদি মণিপুরী ফিল্মগী মশকনাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা অরিবাম শ্যামনা হায়খিবদা, ঙসিগী অৱাবা ফোঙবগী থৌরমসি অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'মতমগী মণিপুর'বু দিরেক্সন পীবীরম্বা দেবকুমার বোসকী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা লৈ মনা অমত্তং ওইরবসু মহাক্কী মফমদা কৎচবনি। মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচত্তা য়াম্না মরু ওইবা মীশক অমা চৎখিবসি পূক্নিং য়াম্না নুংশিবগা লোয়ননা ঙসিদগী চহী ৫২/৫৩গী মমাঙদা অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মসি নম্নবা হোৎনরকপদা থেংনখিবা অৱা-নুংঙাই কয়া নীংশিংহল্লি। ফিল্ম অসিবু পুথোক্পীরম্বা কেমনিমোহনসু ঐখোয়গী ইরক্তা লৈত্রে অমদি ফিল্মসিদা কুম্বীরম্বা আর্টিষ্ট কয়াসু অমুক হন্না হল্লক্লরোইদবা খোঙচত্তা চৎনখ্রে। মখোয় পুম্নমক নীংশিংই, মখোয়গী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলি অমদি মখোয়গী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লাইরম্লেন্দা লৈবা ওইসনু হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, মতমগী মণিপুর নমদ্রিঙৈদা 'মাইপাক সন ওফ মণিপুর' হান্না নম্বা অদুসু দেবকুমার বোসনা দিরেক্সন পীখিবনি। মতমগী মণিপুর নম্বা হৌবদগী এদিটিং তৌবা ফাওবা তঙাইফদনা য়াওখিবদগী ঐহাক ইশাসু ফিল্মগী টেক্নিক কয়া তম্বা ঙমহৌবনি হায়খি। তুংদা এম এস এফ দি এসকী প্রিভিয়ু থিয়েটরদা 'মতমগী মণিপুর' উৎখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।১০।২০২৪ ইং, শগোলশেল;
নুংথিল পুং ৩.৫৩ ফাওবা মেরাগী ২৯নি পাল্লি, মতুংদি থাশুনি।

মেষ: হকচং নুংঙাইতবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা, নখা থাবনা ময়েং তাহনবা য়াই। মরুপকী মতেংদি ফংজগনি, নীংবা মপা চাগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: নুমিৎয়ুংবদগী নীংবা মপা চাগনি, অয়াম্বা থবক্তা খূৎচাও থাবা য়ারগনি। থৌনা ফুদোকপা য়াগনি। নচাক-নরলদি খরা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

মিথুন: নীংবা মপা চারোই, খন্থদনা নরল কায়গনু, মীচঙসু খরা তাঙবা নুমিৎনি। হান্নদৈ পাঙলকপা নত্তনা অনৌবা থৌরমদা য়াওবা লুগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল চাওথোক্লা লৈথোকউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈগনি, খূৎচাও থাহৌরো। শেল-থুম, লৈতেংগী পোৎলম, মীয়ামগী মতেং ফংজগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: নুমিৎয়ুংবা মতুংদা য়াম্না লাইবক ফগদবা খোঙশাল লৈগনি। অরং-অরাক/লন ফংগনি, পোরম শীন্দোকপা হৈগনি। অঙম্বনদি তাথি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্যা: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না চাওখৎকদবা খোঙশাল লৈ। ওইজ-ওইথক্কী থবক্তা খূৎচাও থাহৌরো। লৌশিংসু চাউই, মীচঙসু য়াম্মী।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

তুলা: নুমিৎয়ুংবদগী অফবা থবক্তা মায় পাকপা হেনগনি, নীংজবা খুদিং চিংনদনা পাঙবা য়ারগনি। লম চথোকপা কান্নগনি। নক্লবনদি ৱারৌই।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

বৃশ্চিক: অফবা থবক্কী খোঙশালদি নুমিৎয়ুংবা ফাওবা ফরে। মীয়াম্না লুনা চান্না খঞ্জবা নুমিৎনি। নাপল লোয়নরবদি নুংঙাইফম অমা খঙলোই।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

ধনু: লাইবক ফগনি, লন চঙগনি, য়েক্লবা ঙমগনি, মশক নাইবা থবক পাঙগনি। নচা-ননাইনদি ৱারৌবা, ফিংবনা শোকপা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: নরলদা য়েংশিনবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা খরা লৈরবসু মায়থিবদি লৈরোই। অরাপ্পগী মতেং ফংগনি, লান্দবনা লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কুম্ভ: মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা মতাং চাই, ৱানোম থৌনোমসু মায় পাকপগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। হুরানবনদি নরলদা য়েংথি, পঙথগনু।
লৈশা পাখংগী- মরীদি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মীন: অয়ুক পুং ১২ ফাওবা অফবা থবকশিং পাঙবা হৌবা য়াগনি। অনম তানবা, অশাওবা অমদি নাপলনদি নুংশা থিবা নংহনগনি, ঈংথৌ।
লৈশা পাখংগী- নোল্লুক্না চৎলু, শাফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

[illegible]

MANIPURI YOUTHS' FRONT ASSAM
মণিপুরী য়ুথস ফ্রন্ট আসাম

[illegible]

[illegible]
MS BRICK FIELD
TAOBUNGKHOK
P.S.PATSOI, P.O. LANGJING
1. Ist class. 15.00
2. 2nd class. 14.00
3. Reject. I. 12.50
4. Reject. II. 11.50
5. Peti. I. 12.00
6. Peti. II. 10.00
7. Jammat. 10.00
8. 3rd class. 6.00
Contact no.6909236749
Block Machine
HL-B/9059/13/9-13/10